# জেন্দর জষ্টিস ফংহন্নবগীদমক য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ট্রিপল টলাক ওর্দিনান্স অয়াবা পীখ্রে : রবি শঙ্কর



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): ট্রিপল টলাক ওফেন্স অমনি লৌদুনা চৈরাক পীবা য়াবা ওর্দিনান্স য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ঙসি অয়াবা পীখ্রে হায়না লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা ফোঙদোরক্লি।

সুপ্রীম কোর্টনা অদুগুম্বা চৎনবী অদুগী মতাংদা থবক লৌখৎলকপগী মতুংইন্না য়ুনিয়ন কেবিনেটনা তঙাইফদবা অমা ওইনা ট্রিপল টলাক ওর্দিনান্স অদু অয়াবা পীখিবনি। ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা লুচিংবা অদুনা কোংগ্রেস পার্টিবু মরাল শিরদুনা হায়, মুস্লিম ৱিমেন প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ওন মেরিএজ বিল হৌজিক রাজ্য সভাদা পন্দুনা লৈরি। মদু পার্টি খরনা ভোট বেঙ্ক পোলিটিক্স শান্নবননি হায়খি। ওর্দিনান্স অদুগী মতাংদা লুচিংবা অদুনা হায়, মুস্লিম নুপী নৎত্রগা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ট্রিপল টলাক্কী মায়োক্তা পুলিস ষ্টেসন্দা ৱাকৎপা য়ারগনি। ট্রিপল টলাক তৌদুনা খায়নবীরবী নুপীশিংনা মীওই অদুবু চৈরাক পীননবগীদমক ৱাকৎপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরগনি। খুদোংথিবা নংলবী নুপী অমগী ৱাকৎ অদু মজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা পুখৎপগা লোয়ননা মহাক্কী ৱারোল পীবা য়াই। নুপী অমনা লুচিংবী ওইরিবা কোংগ্রেস পার্টিনা অদুগুম্বা বিল অদু পুথোকপদা শৌগৎতে। মদু খ্বাইদগী শাথিবা থৌওং অমনি। নুপীশিংগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎপা থৌশিল শৌগৎতবা হায়বদু হকচিন্না লৌই হায়খি।

ট্রিপল টলাক্কী চৎনবী অদু চাউখৎতবা অমসুং মীওইবগী লীচৎ নত্তবা অমনি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২২ দা ট্রিপল টলাক্কী চৎনবী য়েংশিনখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক নুপা-নুপা খায়বগী তমথীবা চৎনবী অদুগী মতাংদদি সেক্যুলর ওইরে হায়রিবা ইন্দিয়াদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ভোট বেঙ্ক পোলিটিক্স শান্নবনা মরম ওইরগা য়েংশিনবা ঙমদনা লাকখিবনি।

রবি শঙ্করনা কোংগ্রেসকী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীগী মিং পল্লদুনা হায়, ওর্দিনান্স অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী খুন্নাইদা জেন্দর জষ্টিস ফংহন্নবা অমসুং নুপীশিংগী ইন্টরেষ্টতা পুথোকপনি। ভোট বেঙ্ক পোলিটিক্স শান্নবগী মহুত্তা নুপীশিংগী ওইবা অমদি মখোয়গী ইন্টরেষ্টতা পুথোকপা বিল অদু পাস তৌনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কেবিনেট মীফম লোইরবা মতুং পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, বহুজন সমাজ পার্টিগী লুচিংবী ময়াবতি অমসুং তৃণমুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিনসু রাজ্য সভাদা পন্দুনা লৈরিবা বিল অদু পাস তৌনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়না আপিল তৌখি। লোক সভানা বিল অদু মাঙজৌননা পাস তৌখ্রবা মতুং রাজ্য সভাদা পাস তৌননবা থাগৎখিবা মতমদা পার্টি খরনা ভোট বেঙ্ক পোলিটিক্স তৌদুনা বিল অদু পাস তৌবা ঙমদনা লৈরি। সুপ্রীম কোর্টনা মমাঙ চহীদা ট্রিপল টলাক্কী চৎনবী অদু মীওইবগী লীচৎ নত্তে হায়না থিংজিনখিবা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক অদুগুম্বা চৎনবী অদু হৌজিকসু লৈরিবনা বিল অদু পুথোকপনি। বিল অদুনা এক্ট ওল্লবা মতুংদদি ট্রিপল টলাক তৌবা মীওইশিং মরাল লৈবনি হায়না চৈরাক পীবা য়ারগনি হায়খি।

# মোদিগী মতমসিদা দিটেক্টরশিপ্পু থৌশিল অমা ওইনা চথরি : রাহুল



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মতম অসিদা দিটেক্টরশিপ্পু থৌশিল অমা ওইনা চথরি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ছটিসঘরগী মীয়াম্না নীংশিংগদবদি বিলাসপুরদা পার্টিগী ৱার্করশিংদা এটেক চথরকখিবা অদু পোলিটিক্সকী ওইবা তমথিবা থৌওং অমনি। খোঙজং চঙশিনবা কোংগ্রেস ৱার্করশিংদা পুলিসনা তমথিনা ফৃ-চৈবগী থৌওংশিং চথখি। মদুদা মীওই কয়া অশোক অপন নংখিবনি। ছটিসঘরগী বি জে পিনা লুচিংবা রমন সিংহ লৈঙাক্লা কোংগ্রেস ৱার্করশিংগী মথক্তা তমথিনা ওৎ-নৈবগী থৌওংশিং চথখি। নরেন্দ্র মোদিগী মতম অসি দিটেক্টরশিপকী মতম ওইরে। কোংগ্রেস ৱার্করশিংগী ফন্দামেন্টেল রাইটতা শিংনরকখিবা অদু খ্বাইদগী পাংদবা থৌওং অমনি।

ছটিসঘরগী মফম খরদা খোঙজং চঙশিনখিবা কোংগ্রেস ৱার্করশিংবু রমন সিংহ লৈঙাক্লা তাথি তাওইনা তৌবীখিবা অদু নীংশিংগদবনি। লৈবাকপোকপা নুমীৎতা পুলিসনা ফৃবদা কোংগ্রেস ৱার্কর তরেৎ অশোক অপন নংখি। কোংগ্রেস পার্টিগী থৌমীশিং অদুনা অর্বান এদমিনিষ্ট্রেসন মিনিষ্টর অমর অগ্রৱালগী মায়োক্তা পিছ প্রোটেষ্ট চথবদা পুলিসনা মখোয়বু তমথীনা ফূবীখি।

নাকল অমরোমদা, এদিসনল এস পি নিরজ চন্দ্রকরনা হায়, কোংগ্রেসকী থৌমীশিং অদুনা ছটিসঘরগী বিলাসপুর সিটিদা লৈবা মিনিষ্টর অদুগী য়ুমদা অমোৎ-অকায় লংশিনবগী থৌওংশিং চথরকখি। লোয়ননা নুপী পুলিস অমসুং নুপা কন্সটেবল অমদা খুৎ থারকপগী থৌওংশিং চথরকখি। অদুগুম্বা থৌওংশিং অদুগীদমক পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না খোঙজং চঙশিনবদা শরুক য়াখিবা ৱার্করশিং অদুনা দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস ওফিসতা হনখ্রবা মতুং ৱাকৎ মীফম অমসু পাঙথোকখি। পুলিসনা মখোয়বু ফাননবা হোৎনবদা ৱার্কর খরনা পুলিসতা খুৎ থারকখিবা লৈখি হায়রি।

## রাজস্থানগী মীখলদা অনৌবা ঈ ভি এম শীজিন্নরগনি

জয়পুর, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): রাজস্থানগী মীখলদা অনৌবা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম)-এম ৩ শীজিন্নরগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন্না ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট এসেমব্লী মীখল অদুগী মনুং চন্না কনষ্টিট্যুএন্সি ২০০ তা লৈগদবা পোল্লিং সেন্টর ৫১,৭৯৬ তা নীংথিনা মীখল পাঙথোকপা ঙম্নবা অমসুং মনুং মপান ফাওনা উবা মীখল অমা ওইহন্নবগীদমক ভি ভি পেট য়াওনা অনৌবা ঈ ভি এম-এম ৩ শিং শীজিন্নরগনি হায়না চীফ ইলেক্সন কম্মিসনর ও পি রৱটনা ফোঙদোকখ্রে।

জয়পুরদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা রৱটনা হায়, মীখল অদুদা শীজিন্নগদৌরিবা ঈ ভি এম অমসুং ভি ভি পেট মেছিনশিং অদু অফবা, অশোয়-অঙাম থোক্লরোইদবা অমসুং টেম্পরিং তৌবা য়াররোইদবা অমনি হায়খি। ঈ ভি এম-এম ৩ মেছিন অদু হেন্না ফবা মওংদা শেম-শারবা অমনি। টেম্পরিং তৌরকপশিং খঙদোক্লবা মেকানিজমশিং মেছিন অদুদা য়াওরি। অফবা মখলগী মেছিনশিং অদু অহানবা রাজস্থান এসেমব্লী মীখলদা শীজিন্নরগনি।

## জম্মু ঙমখৈ পরিংদা পাকিষ্টান লান্মীনা বি এস এফ লান্মী অমা মঙক লেন্থৎতুনা হাৎলম্লে



জম্মু, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী ঙমখৈ পরিংদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী লান্মী অমা পাকিষ্টান লান্মীনা হাৎলম্লে হায়না পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

বি এস এফকী লান্মী অদু মালেমগী ঙমখৈ পরিং অদুদা পাকিষ্টান লান্মীনা মখৌরি লেন্থৎতুনা হাৎলমখিবনি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি। লাইন ওফ কন্ট্রোল অমসুং ইন্টরনেসনল বাউন্দরিদা হৌজিক অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। রামগরদা লান্মী অমা শিরম্বগী থৌদোক মতুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈখ্রে। বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সনা পাকিষ্টান রেঞ্জরশিংদা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখ্রে হায়রি।

বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী লান্মী অমা হাৎলমখিবগী মতাংদা দিরেক্টর জেনরেল ওফ মিলিটরি ওপরেসন (দি জি এম ও) না পাকিষ্টানগী মহাক্কা ফম মান্নবা লুচিংবশিংদা ৱাকৎ অদু থাঙ্গৎখিবনি। ওফিসল ওইবা পাউ অমগী মতুংইন্না হেদ কন্সটেবল নরেন্দ্র কুমারগী হকচাং অদু ইন্দো-পার্ক ফেন্সিং মনাক্তগী ফংখিবনি। লান্মী অদুগী হকচাংদা নোংমৈ মরু অহুম পানখিবগী দাগফমশিং লৈরমখি। বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙমখৈ পরিং অদুদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তি থোকহনখিদে হায়রি।

নাকল অমরোমদা, পাকিষ্টান রেঞ্জরশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, লান্মী অমা মাঙখ্রে হায়বা পাউ ফংবদগী নাকল অনীগী লান্মীশিংনা জোইন্ট পেট্রোলিং চৎতুনা লান্মী অদু থিননবা হোৎনখি। নাকল অনীমক্না পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা অমদি মতেং পীনদুনা থৌশিল কয়া পায়খৎনবা হোৎনরি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিনা ন্যুক্লিয়ার পৱার লৈরবা লৈবাক অনীগী মরক্তা চাউনা উংখৎনবা লৈরকপা য়াই হায়রি।

ঙমখৈ পরিংদা লান্মী শিখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা থম্মোয় শোকপা ফাওরি। লান্মী অমবু তমথিবা মওংদা ইন্টরনেসনল বোর্দরদা হাৎলমখিবা অদু হকচিন্না লৌই হায়না এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

## হিজবুল মুজাহিদীনশিংনা অসামদা অফবা মখলগী খুৎলায়শিং পীশিন্নবা থৌরাং তৌরি : অসাম পুলিস



গুৱাহাতি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): অথিংবা থমখ্রবা হিজবুল মুজাহিদীন-না অসামদা একে ৪৭ য়াওনা অফবা মখলগী খুৎশু-খুৎলায়শিং সপ্লায় তৌননবা হোৎনরি হায়না অসাম পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না খুৎলায়শিং অদু লৌশিন্নবা থৌশিল পায়খৎপ হৌখ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে। নাগালেন্দদা বেজ তৌবা দিল্লর অমগী মখাদা অফবা মখলগী খুৎশু-খুৎলায়শিং অদু লৌশিন্নবা হোৎনখি। লোনা য়াদে হায়না লাউথোকখ্রবা লালহৌলূপ অদুনা অফবা মখলগী খুৎলায় কয়া অসামদা লৈরিবা মখোয়গা মরী লৈনবশিংদা পীননবা হোৎনরি।

হিরম অদুগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লরকখিবা লৈখ্রে। পাকিষ্টান্দা বেজ তৌবা টেররিষ্ট অমিরনা ষ্টেট অদুদা লাক্তুনা ওইরিবা ফীভমশিং অদু য়েংশিল্লম্বা লৈখ্রে হায়বগী পাউশিং খঙবা ঙমখ্রে। হিরম অদুগী মতাংদা পুলিসনা মীকুপ নাহুম শিংনা য়েংশিল্লি হায়রি। অসাম পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা মীওই অহুম ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা হিজবুল মুজাহিদীনগী হার্দকোর কমর-উজ-জমাগী মনাওনুপাসু য়াওরি হায়রি।

মখা তানা পুলিসনা অকনবা থবক পায়খৎপদা অতোপ্পা মীওই খরসু ফাবা ঙমখিবগা লোয়ননা লালহৌলূপ অদুগা মরী লৈনবনি হায়না ফাখিবা মীগী মশিং তরেৎ শুখ্রে। কমর-উজ-জমাগী মনাওনুপা সাইফুল ইস্লাম য়াওনা এন্টি টেরর স্কৱাদনা মীওই কয়া ফাগৎখিবা লৈখ্রে। মখোয়গী মনুংদা রিয়াজউদ্দিন, বাহিরুল ইস্লাম অমসুং জাইমুল অহমেদসু য়াওরি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না পাকিষ্টান্দা বেজ তৌবা টেররিষ্ট লূপ অমগী লুচিংবা মীওই অমা অসাম অমসুং মেঘালয়াদা চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা লাক্লবা লৈখ্রে। মখোয়না হনখিবগী লম্বীদা মীওই খরা কান্তপুর পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখি। এন্টি টেরর স্কৱাদ অমসুং অসাম পুলিসনা ফারবা মীওইশিং অদু ৱাহং-পাউহং চথখ্রে। কমর-উজ-জমাগী মনাওনুপা অদু অসামদগী হৌখিবা মীওই অমনি। মহাক লালহৌলূপ অদুগী মরুওইবা থৌ পুবা মীওইনি। কমরগী মনাওনুপা অদু লূপ অদুগী অচৌবা থৌদাং লৌবা মীওইনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মহাক হন্দক্তা কান্তপুর পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখিবনি। ওইরক্লিবা ফীভম কয়া অসি য়েংলগা মালেমগী থাক্তা লৈবা টেররিষ্টশিং অসামদা মীৎয়েং চঙলক্লি হায়বদু খঙবা ঙম্লে হায়রি।

## দিল্লিদা কাঙলোন চুমদনা হাংবা দাইগ্নোষ্টিক লেব কয়া লৈরিবসি খুদোংথিনিংঙাইনি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা অন-ওথোরাইজ ওইবা পেথোলোজিকেল লেব অমসুং ক্লিনিক কয়া লৈরিবা অসি হকচিন্না লৌই। দিল্লিগী আম অদামি পার্টি (এ এ পি) লৈঙাক্লা চপ চাবা লো অমা চৎনহল্লক্ত্রিঙৈ ফাওবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না দিল্লি হায় কোর্টনা ঙসি খঙহনখ্রে।

জষ্টিস রাজেন্দ্র মেনন অমসুং জষ্টিস ভি কে রাওগী বেঞ্চনা দিল্লি লৈঙাক্তা খঙহনখিবদা, লৈবাক অসিগী কোনুংদা হাংলিবা লেব অমসুং ক্লিনিকশিং য়েংশিনগদবনি। অদুগুম্বা লেব অমসুং ক্লিনিকশিং অদু কনানা চলাইবনো। করম্বা লোগী মখাদা লিংখৎপনো হায়বদুসু য়েংশিনগদবনি হায়রি।

কোর্টনা হায়, হৌজিক ওইরিবা ফীভম অদু য়েংশিল্লবা মতুং লৈঙাক্লা করি থবক লৌখৎলবগে হায়বদু এফিদেবিট অমা ফাইল তৌরক্কদবনি। মদুদা নত্তনা চপ চাবা লো অমা শেমদুনা ওইরিবা ফীভম অদু য়েংশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

অন-ওথোরাইজ ওইবা লেব অমসুং ক্লিনিক কয়া হাংদোরকপা হায়বদু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা অমনি। লেজিসলেটরনা চপ চাবা লো অমা পুথোক্ত্রিবা ফাওবা লৈঙাক্লা য়েংশিনবগী থবক পায়খৎকদবনি। মখা তাবা হিয়ারিং নবেম্বর ৩০ দা চথগনি হায়নসু কোর্টনা খঙহনখ্রে। থা ৬ কী মনুংদা করি থবক পায়খৎলবগে হায়বদু খঙহল্লক্কদবনি হায়রি।

## তেলঙ্গনা : মীখল মমাঙদা কোংগ্রেস পার্টিগী ওইবা চীফ মিনিষ্টর মীরেপ লাউথোক্লোই

হায়দ্রবাদ, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): তেলঙ্গনা মীখল মমাঙদা কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইগদবা মীরেপকী মিং লাউথোক্লোই। ষ্টেট অদুগী এসেমব্লী মীখলদা চন্দ্রবাবু নাইদুগী তেলুগু দেসম পার্টি, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া অমসুং তেলঙ্গনা জন সমিটিগা পুন্না চৎমিন্নগনি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী মচিন চৎপা অমনা ফোঙদোকখ্রে।

তেলঙ্গনাগী কোংগ্রেস ইন-চার্জ আর সী কুন্তিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা মীখলগী মাঙওইননা চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ লাউথোকপা হায়বদু চৎনরক্তে। তেলঙ্গনা প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট উত্তম কুমারনা ভোট খোম্বগী থৌশিল অদু লুচিংগনি। মীখল মতুংদা করম্বা মীওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইগদগে হায়বদু লেপকনি হায়না কুন্তিয়ানা ঙসি হায়দ্রবাদতা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মীখলগী রিজল্ট লাক্লবা মতুং এম এল এশিংগী ফীভম য়েংবগা লোয়ননা পার্টিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা তান্নরবা মতুং চপ চাবা ফিরেপ লৌগনি। তেলঙ্গনা এসেমব্লী সেপ্টেম্বরতা দিজোল্ভ তৌখ্রে। লৈঙাক অদুগী মতম লোইগদবা থা ৮ ঙনখৎনা এসেমব্লী অদু মুখৎখিবগা লোয়ননা কে চন্দ্রসেখর রাওনা ক্যের টেকর চীফ মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরি। ইলেক্সন কম্মিসন্না ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোক্লবগী মতম লেপখ্রে। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ২১ দা মায় পাকখি। মদু চাদা পাথোকপদা ২৫ নি হায়রি। টি দি পি, সী পি আই অমসুং এম কোদনদরামগী পার্টি টি জে এসনা পুন্না থেংনমিন্ননবা শেম-শারি হায়রি।

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/খঙহঞ্জবা**

তাং ১৩-০৯-২০১৮ ইং

Serou দা The Serou Market Improvement Shop Association কৌবা এসোসিএসন অমা নৌনা শেমদুনা রেজিষ্টর তৌজরগনি। হায়রিবা অসিদা কনাগুম্বা য়াওবিনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৮-০৯-২০১৮ ইং ফাওবগী মনুংদা মখাদা শহি তৌজরিবা অসিদা পাউ ফাওবিরকউ লোয়ননা হায়রিবা এসোসিএসন অসিগী Inaugural General Body মীটিংনা লাক্লিবা তাং ০৫-১০-২০১৮ ইংদা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা এসোসিএসন অসিগী Managing Committee মেম্বরনচিংবা খন্নবা পাঙথোকচরগনি। হায়রিবা অসিদা কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি মখাদা শহি তৌজরিবা অমদি Deputy Registrar of Societies, Kakching দা পাউ ফাওবিরকপা য়াগনি। মখা তাবা ৱাকৎ অমত্তা লৌজরোই।

*Sd/-* **Y. Raju Singh**
**Convenor** ☎ **7630836572**

HL-P/5395/20

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

**Imphal, the 14th September, 2018**

**No.P/M/SR/2018:** It is notified for general information that "Manipur Adventure and Mountain Biking Association" has been formed and proposed to be registered under Manipur Societies Registration Act 1989 with its address at "Ngayur Building, Opposite ISBT 1st Gate, Imphal West, Manipur" in the office of the Registrar of Societies, Manipur. So, if there is any claim/ objection/suggestion regarding the registration under this name, the same be filed to the Registrar of Societies, Manipur within 15 (fifteen) days from the date of publication of this notice. Further complaint will not be entertained as per Rule No. 13 of MSR Rules, 2004.

*Sd/-* **Rajkumar Sanajaoba Singh**
***President*** ☎ **9615309001**

HL-P/5398/20

**OFFICE OF THE MANIPUR STATE AIDS CONTROL SOCIETY IMPHAL, MANIPUR**

**NOTICE**


Imphal, the 18th September, 2018

**No. F-20053/09/2016-17/FIN/MACS Pt.II:** Sealed tenders are invited from intending firms for printing/installation of Hoardings in respect of MACS. Detailed information along with tender documents may be downloaded from the SACS website www.manipursacs.nic.in wef 20/09/2018.

Sd/-
A. Radhabinod Sharma
Project Director

HL-B/4866/20

## ম্যান্মারগী দ্রগ লল্লোনবশিংনা ত্রিপুরাগী সী এম বিপ্লব কুমার দেব হাৎকনি কিহল্লক্লে



অগরতালা, সেপ্টেম্বর ১৯ (এজেন্সী): ত্রিপুরাদা ষ্টেট নার্কোটিক এন্দ দ্রগ ফ্রি শেম্নবা খঙহনখিবা মতুংদা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা দ্রগ লল্লোনবশিংনা চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবদা কিহল্লক্লে হায়না ত্রিপুরা বি জে পিনা ফোঙদোরকখ্রে।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী লুচিংবা অমসুং হান্নগী মিনিষ্টর রতন চক্রবোর্তিনা হায়, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনসু রিপোর্ট অদু ফংখ্রে। ম্যান্মারদা বেজ তৌবা দ্রগ লল্লোনবশিংনা চীফ মিনিষ্টর কুমার দেববু হাৎননবা লৌতুনরি। তোঙানবা পাউগী লীখুন অমদগীসু বি জে পি ত্রিপুরানা পাউ অদু ফংবা ঙম্লে। চীফ মিনিষ্টরনা অৱাংনোংপোক ষ্টেটশিংবু দ্রগ ফ্রি ওইবা লমদম অমা ওইহন্নবা পুখৎখিবা ৱাফম অদুনা দ্রগ লল্লোনবশিংদা খোয়শাউনবা ফাওহল্লে। মদুনা মরম ওইরগা চীফ মিনিষ্টর কুমার দেববু হাৎননবা লৌতুনবগী থৌশিল চথরকনি হায়রি। পাউঅসিগী মতাংদা পুলিস ওফিসরশিংদা হংবদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে। পার্টিগী ৱার্করশিংনা চীফ মিনিষ্টরবু অহেনবা সিক্যুরিটি পীদুনা ঙাক শেন্নবা তকশিনখ্রে হায়রি।

**গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া**
**মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস**
**দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস**

**নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফাল (মণিপুর) গী ফর্ষ্ট রেজিষ্ট্রার অমসুং ফর্ষ্ট ফাইনান্স ওফিসরগী এপোইন্টমেন্ট**

**(এ সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি)**

নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফাল (মণিপুর) গী ফর্ষ্ট রেজিষ্ট্রার অমসুং ফর্ষ্ট ফাইনান্স ওফিসর হাপ্পবগীদমক ইন্দিয়ন সিটিজনশিংদগী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি। ফম খুদিংমক ৭ শুবা সী পি সী পে মেট্রিক্সকী মতুং ইন্না লুপা ১,৪৪,২০০/- গী রেস্নেলাইজ এনত্রি পে ওইবা লেভেল ১৪ গী পে স্কেল চৎনগনি।

তঙাইফদবা ক্বালিফিকেসনশিং, জেনরেল ইন্সত্রক্সনশিং, ইনফোর্মেসন, এপ্লিকেসন প্রোফোর্মাগী অকুপ্পশিং অমসুং ফম অসিগা মরী লৈনবা অতৈ অকুপ্পশিং মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী ৱেবসাইট **www.yas.nic.in** দা ফঙগনি।

হিরম খুদিংমক্তা মপুং ফারবা নিংথিনা মেনশিল্লবা এপ্লিকেসন ফোর্ম অদু এদভর্টিজমেন্ট অসি ফোঙবা তারিখতগী পারগা **নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা** রেজিষ্টর্দ/স্পীদ পোষ্টতা **দেপ্যুটি সেক্রেটরি (স্পোর্টস), মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, রূম নম্বর ৫২০ ''সী'', শাস্ত্রি ভবন, ন্যু দিল্লি-১১০০০১** য়ৌহল্লক্কদবনি।

davp 47116/11/0012/1819

